# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 16, 2019 PAGE 7




চহী ১০গী মনুংদা বেটসমেন অমনা খ্বাইদগী থুনা ইন্টরনেসনেল রন ২০,০০০ য়ৌবা ঙমদুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ক্লব কোলকটা নাইট রাইদর্সকী অনৌবা কোচ ওইনা খনখ্রবা ন্যু জিলেন্দগী হান্না বেটসমেন ওইরম্বা ব্রেন্দন মেক্কুল্লম



## জুনিয়র ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা টিম স্প্রিন্টতা গোল্ড মেডল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে

*ফ্রেঙ্কফর্ট, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি ফ্রেঙ্কফর্টতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম্না টিম স্প্রিন্টতা গোল্ড মেডল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম অদু রোনাল্ডো সিংহ, রোজিৎ সিংহ অমদি ইসো অলবেননা শেম্বনি। ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসি হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মালেসিয়াগী মতুংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

জুনিয়র ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম্না গোল্ড মেডল লৌখিবা অসিনা ৱার্ল্ড লেবেলদা পাঙথোকপা কম্পিটিসন্দা অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা পুৱারী শেমখিবনি।



জুনিয়র ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা টিম স্প্রিন্ট ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম্না ৪৪.৬৮১ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম্না টিম স্প্রিন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ৪৪.৬৮১ সেকেন্দদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা বৃটেননা লৌখি।

পনবা য়াই, টিম স্প্রিন্ট ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম্না ৪৫.০৯৪ সেকেন্দদা পম্বুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। ওস্ট্রেলিয়াগী টিম্না ৪৫.১৬২ সেকেন্দদা অনীশুবা পোজিসন তারগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবা বৃটেনগী টিম্না ৪৫.৩৫৫ সেকেন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টিম স্প্রিন্ট ইভেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম্না ৪৪.৭৬৪ সেকেন্দদা চাইনাবু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। চাইনানা ৪৬.২৪৮ সেকেন্দদা পম্বুংফম য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র টিম্না ক্বার্টর ফাইনেলদা থৌখিবা মতম অসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াঙবা ওইখি। ওস্ট্রেলিয়াগী টিম্না ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপী স্প্রিন্ট টিম ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

## ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা ৱান দে সেরিজ মেটচ ২–০ দা লৌখ্রে

*ত্রিনিদাদ, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা লৈবাক অসিগী সিটি ত্রিনিদাদতা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিনা য়ুম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা সেরিজ ২–০ দা লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ৱেষ্ট ইন্দিজ টুর অসিগী মনুং চন্না শান্নখিবা মমাঙদা টি–২০ সেরিজসু ইন্দিয়ানা লৌবা ঙমখিবনি।



অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা নোংনা মরক থৎখিবদগী ওভর ৩৫ শান্নহনবদা বেটসমেন ৭ আওট ওইরগা রন ২৪০ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজ অদু হৌবদগী ফিভম য়াম্না ফজখি। টিম অসিগী ওপনর অনী খৃস গেল অমদি ইভিন লেৱিসনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১০০ লাম্থোকপা ঙমখি। ওপনর ইভিন লেৱিস বোল ২৯ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর খৃস গেলসু ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৪১ মায়োনবদা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা রন ৭২ লৌরমখি। খৃস গেল আওট ওইখিবা মতমদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অপুনবা রন ১২১ দা বেটসমেন ২ আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা সাই হোপ অমদি সিমরোন হেটমিয়রসু ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্নবা হোৎনখি। সিমরোন হেটমিয়রসু বোল ৫২ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৪ দা আওট ওইখি। ইকান কান্নদনা টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর সাই হোপসু রন ২৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা নিকোলাস পুরানসু খোঙজেল থুনা বোল ১৬ তা রন ৩০ হাপচিল্লমখি। কেপ্টেন জেসন রোইগী রন ১৪ অমদি কার্লোস ব্রাথৱাইটেগী রন ১৬ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা খালিল অহমদনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইবা ঙমখি। অতোপ্পা বোল্লর মোহমদ সামীসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ২ আওট তাহনখি।

ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাক্নবা ওভর ৩৫ দা রন ২৫৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৩শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ৪ আওট ওইরগা রন ২৫৬ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা ৱান দে সেরিজ অসি ২–০ দা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা শুপ্নগী রন ১০ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেম্বা ঙমখি।

সিখর ধৱন বোল ৩৬ তা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা রিসব পন্ট রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন শ্রেয়াস আয়রগা ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা অপুনবা রন ২০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

আয়র বোল ৪১ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬৫ লৌরমখি। মেটচ অসিদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ৯৯ দা ফোর ১৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১১৪ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কেদর জাদবসু বোল ১২ দা সিক্স অমদি ফোর অমমম য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১৯ লৌরমখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লিংদা ফাবিয়ান এল্লেনদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ আওট তাহনখি।

## দিপক পুনিয়ানা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌখ্রে




*টাল্লিন, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইষ্টোনিয়াগী সিটি টাল্লিনদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ডর্সতা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা কেজি ৮৬কী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌদুনা চহী ১৮ গী মনুংদা লৈবাক অসিগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্বা ওইখ্রে।

জুনিয়র ৱার্ল্ডর্স রেষ্টলিংগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৮৬ কী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা রুশিয়াগী এলিক সেবজুখোভকা লম্বা তৌনখিবদা রেষ্টলর অনীমক পোইন্ট ২–২ দা মান্নখিবনি। অদুবু অরোইবা পোইন্ট অদু ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক কুমারনা ফংখিবদগী মহাক্না কেটেগোরি অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী রেষ্টল দিপক কুমার কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা কেদেট ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল বাওটতা হঙ্গেরিগী মিলান কোরসোগপু পোইন্ট ১০–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, জুনিয়র ৱার্ল্ডস চেম্পিয়ন্সিপকী কুমজা ২০০১ দা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রমেস কুমার (কেজি ৬৯) অমদি পলৱিন্নর সিংহ সিমা (কেজি ১৩০) না গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অসিনা অরোইবা ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা জিওর্জিয়াগী মিরিয়ানি মাইসুরেজবু পোইন্ট ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি। দিপক পুনিয়া ট্রাইয়েলদা মায় পাক্তুনা হন্দক কজাখষ্টানগা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

জুনিয়র ৱার্ল্ডস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৯২ গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিক্কী চাহারনা মোঙ্গোলিয়াগী বেটমাগনাই ইয়ুখটুভসিনবু পোইন্ট ৪–৩ দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## সিটসিপাস অমদি জ্বেরেভ মায়থিহৌরে, রুব্লেভ মায় পাকখ্রে

*ওহিও, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি সিনসিনাটিদা চত্থরিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন ওপন (সিনসিনাটি ওপন) দা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস অমদি জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে, রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা মেটচতা ৫শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুফকী মখূত্তা সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–৭(৬–৮) তা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

জর্মনিগী ষ্ট্রুফনা অহুমশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকা শান্নরগনি। রুশিয়াগী মেদভেদেভনা অনীশুবারাউন্দদা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেবু ৭–৬(৭–২), ৬–১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ সর্ভিয়াগী শান্নরোই কেকমানোভিসনা ৬–৭(৪–৭), ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী শান্নরোই বোটিষ্টা আগুটনা য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ৬–৩, ৩–৬, ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনবদ য়োসিহিটো নিসিওকানা ৬শুবা সিদেদ কৈ নিসিকোরিবু ৭–৬(৭–২), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং য়াফানবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## নহা ওইরিবা মণিপুরগী সট্টলর মৈরাবা লুৱাং বলগেরিয়াদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখিবদগী মীয়াম্না মশক খঙবা হেনগৎনরক্লি

*চেন্নাই, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নহা ওইরিবা বেদমিন্টন শান্নরোই মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা বলগেরিয়া জুনিয়র ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবদগী মীয়াম্না মহাকসু হেন্না মশক খঙবা হেনগৎনরক্লি।

মশাগী চহী ১৬ শুরবা মণিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং হৌজিক–হৌজিক বলগেরিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোইরবা মতুং পঞ্চকুলাদা লাক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়াদুনা লৈরিবনি।

মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা টেলিফোনগী খূখাংদা ফোঙদোরকপদা হৌজিক মণিপুরদা বেদমিন্টন শান্নরোই মশীং অসুক্কী মতিক য়ামখৎলক্লে। মসি অফবা খুমদ অমনি। তুংদসু মশান্না অসিদা লমদম অসিদগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়ামরুম থোক্লককখিগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর অসি ফুটবোল মশান্না অমদি বোক্সিংদা মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈরবা লমদম অমনি হায়না মৈরাবা লুৱাংনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মৈরাবা লুৱাং লৈবাক অসিগী বেদমিন্টন মশান্নদা অচৌবা মিংচৎ কয়া পুরক্কনি হায়না থাজনরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোই অমনি।

হৌখিবা জনুৱারি থাদগী হৌরগা মণিপুরগী নহা ওইরিবা নুপা সট্টলর মৈরাবা লুৱাং বেঙ্গালুরু, ভিজয়ৱাদা, চেন্নাই অমদি ত্রিভান্দ্রমদা পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা নেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মসিদসু নত্তনা হন্দক্তা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স রোজা বি টি ৱাই জুনিয়র ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। লোয়নতা রুশিয়াদা পাঙথোকখিবা হ্বাইট নাইট জুনিয়র ইন্টরনেসনেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মসিগা লোয়ননা মৈরাবা লুৱাংনা জর্মনিদা পাঙথোকখিবা জর্মন জুনিয়র ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

বলগেরিয়াগী টুর্নামেন্টতা নুপীগী সিঙ্গলসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সামিয়া ইমাদ ফারুক্কিসু লৈবাক অসিগী তুংদা চাওনা থাজবা য়াবা শান্নরোইনি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র নেসনেল কোচ সঞ্জয় মিস্রানা হায়খিবদা, মৈরাবা মপাঙ্গল কনবা, ষ্টেমিনা ৱাংবা অমদি একুরেসি ৱাংবা শান্নরোই অমনি অদুগা সামিয়ানা ওল রাউন্দর অমনি।

মৈরাবনা মহাক্কী পার্ফোমেন্সতা হেন্না ফগৎহনগে হায়রবদি মহাক্কী ষ্টেমিনা হেন্না ফগৎহনবা মথৌ তাই অদুগা ষ্টেমিনাগী ওইনদি মপাঙ্গল মথৌ তাই হায়খি।

হিরম অসিগী মতাংদা মৈরাবনা ফোঙদোকখিবদা অতোপ্পা এসিয়াগী মরুওইবা লৈবাকশিং হায়বদি চাইনা অমদি ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোইশিংগা থেংনবদা মখোয়না মপাঙ্গলদা খরা লাকচনা চৎলিবা হায়খি।

| ক্রোসৱার্দ ২৫১ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | O | E | | F | A | T | E | | I | N | D | I | A |
| T | O | U | R | | A | L | A | S | | N | E | I | L | S |
| O | N | T | O | | R | E | C | E | P | T | A | C | L | E |
| N | E | E | D | I | E | S | T | | T | E | R | E | S | A |
| E | R | R | E | D | | | | | A | N | N | | | |
| | | | S | O | C | I | A | L | | T | E | A | R | Y |
| D | O | W | | L | A | S | S | I | E | | S | H | O | O |
| I | S | E | E | | R | A | I | N | Y | | S | O | L | D |
| A | L | P | S | | S | A | D | D | E | N | | Y | E | A |
| L | O | T | T | O | | C | E | A | S | E | S | | | |
| | | | E | R | E | | | | | R | E | R | A | N |
| R | E | C | E | D | E | | L | E | M | O | N | A | D | E |
| E | L | E | M | E | N | T | A | R | Y | | O | D | E | S |
| E | L | D | E | R | | O | M | I | T | | R | A | P | T |
| D | E | E | D | S | | E | A | C | H | | A | R | T | S |


REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

(An Autonomous Institute under Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India.)

IMPHAL - MANIPUR – 795004

NOTICE INVITING EXPRESSION OF INTEREST (EOI)

**No. Tender No: 11/2019-20/RIMS/Imphal/3009** Imphal the 14th August, 2019

The CAO/FA on behalf of the Director RIMS, Imphal invites online "Expression of Interest" from Architectural Firms/ Consortium of Firms/ Individuals having experience and sound back ground in planning and designing of building for construction/ submission of projects for preparation of Comprehensive Architectural and Civil design and drawings of proposed buildings and all utilities such as water supply, electrical wiring, sewer lines etc, including obtaining statutory and local bodies approvals.

Interested Architectural Firms/ Consortium of firms/ Individual with the lead member having experience in similar nature of work (defined in EOI document) are hereby invited to submit their "Expression of Interest (EOI)" as per the prescribed Proforma addressed to Director, RIMS, Imphal, Manipur – 795004. Single Firm/ individual or lead member of consortium of firms must have experience of executing similar nature of work as a single firm/ Individual or as a lead member of consortium.

The prescribed Proforma containing the details regarding the scope of work, qualifying criteria etc. can be obtained in person on any working day from 21.08.2019 to 28.08.2019 between 10.00 AM to 1.00 PM from the office of Consultant Engineer (Civil), Central Workshop, RIMS, Imphal, Manipur – 795004 on payment of Rs 1,000/- (Rupees one thousand) in cash or in the form of Demand Draft/ Banker's Cheque in favour of Director, RIMS, Imphal, payable at Imphal or may be downloaded from RIMS website www.rims.edu.in and submitted along with a demand draft of Rs 1,000/- (Rupees one thousand) in favour of RIMS payable at Imphal. The last date of submission of sealed EOI application document complete in all respects is 28.08.2019 up to 04.00PM. RIMS reserves the right to accept or reject any/all applications without assigning any reason thereof or incurring any liability whatsoever. Prospective applicants are advised to regularly scan through RIMS websites as corrigendum/ amendments etc., if any, will be notified on the RIMS websites and separate advertisement will not be made for this.

Sd/-
Chief Accounts Officer/FA,
Regional Institute of Medical Science,
Imphal,

SL/B/(E)/16



**GOVERNMENT OF MANIPUR**

**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

-----

**NOTIFICATION**

Imphal, the 9th August, 2019

**No. VFA/TRG/2019-Vety.** : Applications from intending candidates are invited for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course at Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong for the academic session, 2019-20. The prescribed application form shall be available on payment of Rs. 300/- (Rupees three hundred) only from the Directorate of Veterinary & A.H. Services, Manipur w.e.f. 14/08/2019. The duly filled up prescribed application form along with the required testimonials/certificates and a Demand Draft for a value of Rs. 600/- (Rupees Six hundred) only for General and OBC Candidates and Rs. 400/- (Rupees four hundred) only for SC/ST Candidates from any Nationalized Bank drawn in favour of the Director, Vety. & A.H. Services, Manipur being the Examination Fee should be submitted on or before 26/08/2019 as detailed below.

| Particulars | | Date | |
|---|---|---|---|
| Issue of Application Form | : | 14th August to 24th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Submission of Application Form | : | 21st August to 26th August, 2019 (on working days) | (10:30 AM to 4:00 PM) |
| Issue of Admit Card | : | 30th August & 31st August, 2019 | (10:30 AM to 4:00 PM) |

The Entrance Test shall be held on **Sunday, the 1st September, 2019**. The venue and time of the Examination shall be given at the time of issue of admit card.

**Eligibility:**

- Candidates should pass Class-XII (10+2) Science or Equivalent Examination in the subjects - Physics, Chemistry & Biology from a recognized Board/ Council.
- Candidate should attain 17 years and shall not exceed 25 years of age as on 1st July, 2019. However, the upper age limit is relaxable for 3 (three) years in respect of ST/SC/OBC candidates.

Sd/-
**( H. Chaoba Singh )**
Director, Vety. & A.H. Services,
Manipur.
**Imphal, the 9th August, 2019**

SL/BILL(E)/15 &16